# ১০ শুবা গভনর্স টাইক্কান্দো কপ ২০১৪ হৌখ্রে
# টুর্নামেন্ট অসিদা শান্নরোই ৪০০ হেনবনা শরুক য়ারি




*কেডেট বোইজকী কে জি ৪৯ মখাগী শান্নখিবা বাউট (ওই), ইন্টরনেস্নেল প্লেয়র এল জয়প্রিয়া চনুনা ওট টেকিং লৌখিবা*


TAEKWONDO

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২ ঃ* ওল মণিপুর টাইক্কান্দো এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ঙসিদগী খুমন লম্পাক ইন্দো ষ্টেদিয়মদা ১০ শুবা গভনর্স টাইক্কান্দো কপ ২০১৪ যুনিট ১৬কী নুপা অমদি নুপী শান্নরোই ৪১০ না শরুক য়াদুনা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল পি ঐচ লন্ধোনী দেবী, ওল মণিপুর টাইক্কান্দো এসোসিয়েসনগী সেনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট ঐচ মেঘচন্দ্র সিংহ অমদি পান্দমগী ইজুগেটিব ইদিটর নামোইজম তোম্বা সিংহনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইদুনা দাইজতা ফমখি। ওট টেক্কিংনা ইন্টরনেস্নেল প্লেয়র এল জয়প্রিয়া চনুনা লৌখি।

অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা কেডেট বোইজকী কে জি ৪৯ মখাগী ফাইনেলদা পাখঙবা টাইক্কান্দো একাদেমিগী এন বিমোনচান্দনা নেস্নেল স্পোর্টস একাদেমি (এন এস এ)গী এস লেনিন লুৱাংবু পোইন্ট ১২–১১ দা মায়থীবা পীরগা গোল্ড অমসুং সিলভর লৌখিবগা লোয়ননা য়ুনিয়ন টাইক্কান্দো একাদেমি (য়ু টি এ) গী মঙাল মাইবম অমদি নেস্নেল স্পোর্টস একাদেমিগী এন দিলিপ সিংহনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

কেডেট বোইজকী কে জি ৪১ মখাগী ফাইনেলদা সাইগী এল কবিচন্দ্রনা নেস্নেল স্পোর্টস একাদেমিগী অজমির হুইসেনবু পোইন্ট ১৭–১৬ তা মায়থীবা পীরগা গোল্ড অমদি সিলভর লৌখিবগা লোয়ননা টি টি এস নম্বোলগী এল বিরবল অমদি ইমরাতা ক্যামগেগী এম চিতরঞ্জননা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে।

সব জুনিয়র গার্লসকী কে জি ২২ মখাগী ফাইনেলদা য়ুনিয়ন টাইক্কান্দো একাদেমিগী এম প্রিয়াদর্শিনিনা সি টি আই শগোলবন্দগী এল রানিবু পোইন্ট ১৩–৭ তা মায়থীবা পীরগা গোল্ড অমসুং সিলভর লৌখিবগা লোয়ননা সি টি এগী দব্লিউ সানিয়ানা ব্রোঞ্জ লৌখি।

সেনিয়র গার্লসকী কে জি ৪৬ মখাগী ফাইনেলদা য়ুনিয়ন টাইক্কান্দো একাদেমিগী এল সর্জুনা গোল্ড, সাইগী এন জি অবেম্মা সিলভর অমদি সাইগী এ অজান্তিনা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে। সেনিয়র মেন্সকী কে জি ৫৪ মখাগীদা সাইগী কে কেশ্বর্জিৎ সিংহনা গোল্ড, য়ুনিয়ন টাইক্কান্দো একাদেমিগী এ আকাশনা শিলভর লৌখিবগা লোয়ননা নম্বোলগী দব্লিউ জেমস সিংহ অমদি নেস্নেল স্পোর্টস একাদেমিগী এস দেবজিৎ সিংহনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

কেদেট গার্লসকী কে জি ৩৭ মখাগী ফাইনেলদা এন এস এগী টি ঐচ সঞ্জিতানা গোল্ড, য়ু টি এগী য়ু গুনপতিনা সিলভর, ইমরতাগী টি ৱিল্লিয়ম চনু অমদি য়ু টি এগী কে ঐচ প্রিয়াঙ্কানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে। সব জুনিয়র গালর্সকী কে জি ২৯ মখাগীদা সি টি আইগী এস ঘনপ্রিয়ারিনা গোল্ড, য়ু টি এগী এস উমানা সিলভর, য়ুনিট অসিমক্কী চিঙু লৈমা অমদি সি টি আইগী এস হেলেনানা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে।

সেনিয়র গার্লসকী কে জি ৬২ মখাগীদা য়ু টি এগী এল জয়প্রিয়া চনু, জুনিয়র গালর্সকী কে জি ৬৩ মখাগীদা য়ু টি এগী এম তোলিকা অমদি জুনিয়র বোইজকী কে জি ৭০ মখাগীদা য়ু টি এগী মালেম শেম্বা কোইজম্না গোল্ড লৌখ্রে।

জুনিয়র গার্লসকী কে জি ৪৯ মখাগীদা য়ু টি এগী এ কে দেবিকা অমদি সোনালি সি ঐচনা গোল্ড অমসুং সিলভর লৌখিবগা লোয়ননা কে টি এগী দব্লিউ নাউচা অমদি পি টি এগী দব্লিউ রিনানা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে।

সব জুনিয়র বোইজকী কে জি ৩২ মখাগীদা সি টি আইগী এল লেম্বনা গোল্ড, এন এস এগী এস সুশিলনা সিলভর, পি টি এগী ৱাই রোমি অমদি খুয়াথোংগী এ রোহেননা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে। জুনিয়র গার্লসকী কে জি ৫৫ মখাগীদা এন এস এগী এস তিনানা গোল্ড, সি টি এগী আর কে এরিনিনা সিলভর অমদি সাইগী দব্লিউ দাইনানা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে। টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ৫ ফাওবা চখগদবনি।

## ৭ শুবা পুরৈলোম্বা হেন্দবোল টুর্নামেন্ট

# নুপীগী ফাইনেলদা পুলিস অমদি সাইদোল থেংনরগনি


HANDBALL

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২ ঃ* চজিং য়ুঠ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন লিলোং (সাইদোল)না শিন্দুনা ওর্গনাইজেসন অসিগী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ৭ শুবা পুরৈলোম্বা হেন্দবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪গী নুপীগী ফাইনেলদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব অমদি য়ুম্বু ওইরিবা সাইদোলনা হয়েং নুংথিলগী পুং ২ তাবা মতমদা থেংনরগনি।

হয়েং অয়ুক্তা নুপাগী সেমি ফাইনেল মেটচশিং শান্নগনি। অহানবা মেটচতা য়ুম্বু ওইরিবা সাইদোল (বি)গা থৌবাল কলেজকা অমদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকা এম আর সি মাইরেনখোংগা শান্নগনি। ফাইনেল মেটচনা নুংথিলগী পুং ৩ দা শান্নগনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী রাউন্দ রোবিন লীগকী মেটচতা সাইদোলনা সিটিজন্সপু গোল ১৮–১০ দা মায়থীবা পীখ্রে। সাইদোলগী গোলশিং অদু ও অঞ্জলিনা ৯, এ রোনিবালানা ৪, এ সিলানা ২, টি ঐচ কমলা, এ বিজেন্তি অমদি এন মেমিচানা অমমম চনখিবনি। সিটিজন্স ক্লবকী গোলশিং অদুনা টি রঞ্জুনা ৩, বি সুনিটি অমদি এল অনিতানা ২–২, সি ঐচ লক্ষ্মী, এন সুজাতা অমদি দব্লিউ রেবিকানা অমমম চনখিবনি।

অতোপ্পা মেটচতা সাইদোল (বি)না এল দব্লিউ ৱাই সি থৌবাল লৈশাংথেম ৱাংমা তাববু গোল ৩৩–২২ দা মায়থীবা পীখ্রে। সাইদোলগী গোলশিং অদু রতননা ১৪, হেনরিনা ৮, বোবীনা ৩, সম্যুয়েল অমদি জিমিকটরনা ২ / ২, বোইনাও অমদি রোমেননা অমমম চনখিবনি। এল দব্লিউ ৱাই সিগী গোলশিং অদুনা রঞ্জননা ১২, চিঙ্খেঙানবনা ৬, লমঙানবনা ৩ অমদি ও টোনিনা ১ চনখিবনি।

নুপীগী শান্নখিবা মেটচতনা ৱাই এল কে চিঙারেল টেজপুরনা এল দব্লিউ ৱাই সি থৌবাল লৈশাংথেম্বু গোল ১৩–১১ দা মায়থীবা পীখি। এল দব্লিউ ৱাই সিগী গোলশিং অদু টি ঐচ প্রিয়া, টি ঐচ রোসিবালা, এল অঞ্জুবালানা ৩ / ৩ অমদি টি ঐচ জেনিলানা ২ চনখিবনি।

লংথবাল কেন্দ্রগী এম এল এ কে শ্যাম সিংহ, ইম্ফাল হোস্পিটালগী সাই স্পিসিয়েলিষ্ট এম দি ডাঃ শ্যামকুমার লাইশ্রম, এল আই সি ককচিং ব্রাঞ্চকী দিভেলপমেন্ট ওফিসার কে ঐচ কৃষ্ণকান্ত সিংহ, আই এফ দি সিগী সেক্সন ওফিসার আই রনবির সিংহ, এ আই ইডুকেসন থৌবালগী পি ইন্দ্রমনি সিংহ অমদি সাইদোলগী এদভাইজরি বি জয় শর্ম্মনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইদুনা টুর্নামেন্ট লোয়শিনবগী থৌরমদা শরুক য়াবগা লোয়ননা মনা মথুমশিং য়েন্থোক্কনি।

# ইন্টর ভিলেজ ভোল্লিবোলদা এন ৱাই ভি এ মায় পাকখ্রে


VOLLEYBALL

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২ ঃ* নাওরেম য়ুঠ ভোল্লিবোল এসোসিয়েসন (এন ৱাই ভি এ) নাওরেম ময়াই লৈকাই বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা শিন্দ্বা ঙসিদগী নাওরেম জুনিয়র হায়স্কুল গ্রাউন্দ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা টিম ১৬ না গ্রুপ ৪ দা শরুক য়াদুনা অহানবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভিলেজ ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ হৌখ্রে।

অহৌবা মেটচতা শান্নখিবা গ্রুপ (বি)গী মেটচতা এন ৱাই ভি এ নাওরেম্না গেলেক্সি য়ুরেম্বমবু সেট ৩–০ (২৫–২৩, ২৫–১৯, ২৫–২০)দা মায়থীবা পীখ্রে।

হয়েং অয়ুক্তা এন ৱাই দি সি খাইদেমগা কে ৱাই দি সি কাঞ্চিপুরগা, আর ৱাই দি সি মোইদাংপোক্কা আই জি ও ওইনামগা অমদি এন ৱাই দি সি খাইদেমগা ঐচ ৱাই দি সি এল (বি) হৈক্রুজমগা শান্নগনি। নুংথিলদা য়ু সি এল লৈফ্রাকপমগা এস য়ু দব্লিউ সি ইরেংবমগা অমদি উচিৱাকা এস দি আই ইশোক্কা শান্নগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর অমদি রন্নর্স ওইবা টিমদা লুপা লিশিং ১০ অমসুং ৭ কী মনা পীগনি। তোঙান তোঙানবা ইন্দিভিজ্যুল প্রাইজকী মনা কয়াসু টুর্নামেন্ট অসিদা লৈরি।

# দে এণ্ড নাইট ভেটরান সোক্কর টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২ ঃ* ঐখোয়গী ক্লব শিংজমৈ ওইনাম থিঙেলনা শিন্দুনা থা অসিগী ২৭, নোংমাইজিং নুমিৎতগী ওইনাম থিঙেলগী প্লে গ্রাউন্দদা অহানবা ওইনাম চার্লি মেমোরিয়েল দে এণ্ড নাইট ওপন ভেটরান ফাইব এ–সাইদ সোক্কর টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর অমদি রন্নর্স অপতা লুপা লিশিং ৩০ অমসুং ২০গী মনা লৈগদবা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা টিমশিংনা এন্ট্রি ফোর্ম অমদি অকুপ্পা মরোল ঐখোয়গী ক্লবতগী অয়ুক্কী পুং ৭ তগী ১০ ফাওবা অমদি নুংথিলগী পুং ২ দগী ৪ ফাওবগী মনুংদা খঙলবা য়াগনি।

এন্ট্রি ফিনা লুপা লিশিং ২ ওইগনি। ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতমনা থা অসিগী ২০ ফাওবা ওইগনি। টুর্নামেন্ট অসি ওইনাম রোমেননা মাহাক্কী লৈখিদ্রবা মপাবুং ওইনাম চার্লিগী মিংদা স্পোন্সর তৌবনি।


এন্ট্রি ফোর্মশিং শিজমৈ দুকান, উরিপোক সিন্দা স্পাইনিং মিল পার্কিং, এস এস ভেরাইটি শিংজমৈ পার্কিং, রতন দুকান পোলো গ্রাউন্দ মনিং অমদি ঐখোয়গী ক্লব ওইনাম থিঙেলদগী ফংগনি হায়না ক্লব অসিগী পব্লিসি সেক্রেটরি ৱাই গোরোবা সিংহনা প্রেস্তা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙল্লক্লি।

বেষ্ট দিসিপ্লিন, হায়েষ্ট স্কোরর, মেন ওফ দি ফাইনেল মেটচতাবশিংদসু শেলগী মনা পীগনি।

# কোংবদা ষ্টেট আর্ম রেস্লিং চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২ ঃ* মণিপুর আর্ম রেস্লিং এসোসিয়েসননা শিন্দুনা চৎলিবা থা অসিগী ১২ দগী ১৩ ফাওবা কোংবা বজারদা লৈবা ৱিলকো ক্লবকী শঙলেন্দদা ৩২ শুবা সেনিয়র, জুনিয়র, মাষ্টর অমদি ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জ মণিপুর ষ্টেট আর্ম রেস্লিং চেম্পিয়নসিপ ২০১৪ পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়নসিপ অসিদগী খনগৎলবা আর্ম রেস্লরশিংনা চহী অসিগী মে ২১ দগী ২৫ ফাওবা য়ু পি গী অগ্রাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৮ শুবা নেস্নেল আর্ম রেস্লিং চেম্পিয়নসিপ্তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগনি। ষ্টেট চেম্পিয়নসিপ অসিগী অকুপ্পা মরোল ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি এল জয়চন্দ্র সিংহ নত্রগা এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট এল রনবির সিংহদগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।





EMPLOYMENT NEWS

L.G. MOTORS

| Name of Post | Qualification | Age | Branch | No. of Post |
|---|---|---|---|---|
| 1. Asst. Maneger Banking | BCom/MCom(Com.Know.) | 24 to 35 yrs | H.Q. | 1 |
| 2. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 24 to 30 yrs | Sekmai | 1 |
| 3. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Samurou | 2 |
| 4. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Lamlai | 1 |
| 5. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Bishnupur | 1 |
| 6. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Moirang | 1 |
| 7. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Pangei | 1 |
| 8. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Sekmai | 1 |
| 9. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Lamlai | 1 |
| 10. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Bishnupur | 1 |
| 11. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Moirang | 1 |
| 12. Security(Unmarrid) | 10/10+2 | 18 to 25 yrs | H.Q. | 2 |
| 13. Driver (Unmarrid) | VIII Pass | 20 to 28 yrs | H.Q. | 1 |
| 14. Mechanic (2Wheeler) | VIII Pass | 20 to 30 yrs | H.Q. | 2 |
| 15. Grade 4 | VIII Pass | 28 to 40 yrs | H.Q. | 1 |
| 16. Recovery Officer | 10/10+2 | 20 to 28 yrs | H.Q. | 2 |
| 17. Computer Operater | Well experence in DTP | 20 to 30 yrs | H.Q. | 1 |

N.B. : Post খুদিংমক ওফিসশিং অসিগা নক্লবা মফমশিংদা লৈবা মীওইশিংনা হেন্না খুদোংচাবা পীগনি।Post অসিবু পাম্বীবা মীওইশিংনা Bio-Data, Contact No., Qualification Certificate অমসুং Experience শিং লোয়নবীরক্কদবনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক হেদ ওফিস্তা লাকপীরগা খংবীবা য়াগনি।

*Sd/- Manager*
**L.G.. MOTORS**
Khagempalli Huidrom Leikai (H.Q)
Near Yumjao Lairembi Maning, Imphal West, Manipur

*Office Hour : 9.00 a.m. to 4 p.m.*
*Sunday / Gen. Holiday Will be Closed*

Branches at : Thoubal Near Okram Lamkhai, Bishnupur, Samurou Bazar Opp. PHC, Patsoi Opp. Patsoi Police Station, Lamlai Opp.Lamlai PS, Pangei Opp. 1st Gate M.P.T.C. and Sekmai Koujengleima, Kakching Opp. Kakching Fire Service





Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*